# মচাশিং ফাওবা কোঞ্জবা ফংজদ্রবদা ...

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

করম্বা মমা-মপা ওইবগী থম্মোয়না খাঙবা ঙমগদৌরিবনো মচাবু উনা-উনা মমাঙমক্তদা লেপ্পরবফাওবদা শোকচবা, কোঞ্জবফাও ঙমজদ্রবদা। ফীভম অসি হৌজিক হৌজিক চাইনাগী প্রোভিন্স অমা ওইরিবা হুবৈ অমদি অতৈ কোরোনাভাইরস লাইচৎনা শোকহল্লবা মফম কয়াদা থোক্লিবনি। কোরোনাভাইরস লাইচৎনা শোকহল্লবা মফমশিং অসিগী হোস্পিটাল কয়াদা তূম্বোই-তূমদবোই, চাবোই-চাদবোই নুংতিগী পুঞ্জা... লেপ্তুনা মথৌ তৌরিবা ডোক্তরশিং অমদি নর্সশিংসি ময়ূমদা হন্দুনা পোত্থাজবগী মতম ফংদবতা নত্তনা মচাশিং অমদি লোয়নবী, মপুরোয়বশিংনা লাক্তুনা উনবা থোক্লবসু মাগা মাগা শোক্ল-পন্নবা য়াদবনা মমিত্তগী মপি তাদুনা থম্মোয় কায়না লৈহৌরি। মমা অমা ওইবগী, মপা অমা ওইবগী মচাবু উরুদ্রবা মতুং নোং ফাদোক খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা ফীভম কয়া কায়থোক্তুনা লাক্লবফাওবদা মখূৎ শোকচবা অমদি কোঞ্জবফাওবা ঙমদনা অহাঙবা মালংদা মখূৎ তিংথোক্তুনা মচাবু কোন্দুনা কপ্লি। মচানসু মমাবু, মপাবু শোকপা য়াদবনিনা অহাঙবা মালংদা মখূৎ অনী তিংথোক্তুনা মমাবু, মপাবু কোঞ্জদুনা কপলি। কয়াদা থম্মোয় শোক্লীংঙাই ওইরিবা ফীভমনো।

ইশামকসু মপা অমা ওইরুবনা য়েংবা ঙমদে। নুমিৎ কয়ানিদি লায়রদনা নোংমা ইচাগী, মরু ওইনা ইচা অতোনবী বেম বেম অমদি বুং বুংগী মশক উদবদা মখোয়বু নীংশিংলক্লিবনি তত্তনা। নোংমা নীনিদি লায়রদনা ঐখোয় লোইনা য়ূম পূন্না লৈরিঙৈ বেম বেম নৎত্রগা বুং বুং অনীগী মরক্তা অমা য়াওদবদা য়াম্না নীংশিংলক্লিবনি। অদুবু অসুক শাংনা চয়োল কয়া, থা অমা হেন্না ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা শোক্লবা য়াদনা লৈরক্লিবা হুবৈ অমদি অতৈ প্রোভিন্সকী কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা লান থেংনরিবা ডোক্তরশিং, নর্সশিং অমদি মখোয়দগী শোক্লা-পন্না য়াদনা থাপতোক্লা লৈরিবা মচাশিং, লোয়নবী, মপুরোয়বা অমদি ইমুং মনুংশিংগী মীওইশিং অসিগী থম্মোয়দদি করম ফাওরমগনি। চয়োল কয়া নোংমা লেপ্তুনা অহেনবা পুংজা কয়া কয়া শূরকপনা চোকথরবা মশাবু মরৈচাশিং কন্নবনি হায়দুনা মশানা মশাবু পূক্লিং থৌগৎচদুনা লেল্লক্লবা পুন্সি অসিদা মচাশিং, লোয়নবী, মপুরোয়বা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উনা উনা শোক্লনা, নকশিননা ৱারী শাবফাও য়াদবসিদি অসুক্কী মতিক ৱারমগনি। মসিগী মথক্তা করম্বা কান্দা ময়ূমদা হন্দুনা ইমুং মনুংগা অমুক মহৌশাগুম পূন্দুনা নোক খেদুনা চামিন্নগনি, লৈমিন্নগনি হায়বসু ঙমদ্রি। লোইদ্রি মসিনা। হিংনা ময়ূমদা হনগদ্রা হায়বগী ৱাহংসি ফাওবা হংলিবনি। ডোক্তর অমদি নর্স কয়া অমসু লাইচৎ অসিনা শোক্লে লোয়ননা ডোক্তর অনীমদি লমখাংদা পুন্সি লোমখ্রবনি।




হুবৈ প্রোভিন্সকী হোস্পিটালদা থবক তৌরিবা ডোক্তরশিং অমদি নর্সশিং অসিগী থবক খূৎশুসিদি অসুক্কী মতিক কন্না শূখ্রবজাৎনি। মখোয়গী মতৌ য়াম্না তমনীংঙাই ওই। মখোয়না থবক কন্না পুংজা কয়া শূবদগী অফংবা পুংজা খরা পোত্থাবদা চৌক্রিদা ফমদুনা, টেবলদা ঙাথদুনা নৎত্রগা লৈমায়দা ফমদুনা তূম্বদো উবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে। অদুগা ডোক্তর অমদি থবক কন্না শূমন্দনা ৱান্থ-ৱান্থদুনা তারিবনি লিফট মনুংদা অমদি হোস্পিটাল মনুংদা। মসি ফাওবদা থবক্তগী মতম খরা পোত্থাজগে কায়না খনবগী ৱাখল্লোন লৈতে মরৈচাশিং কন্নবা হায়দুনা। মখোয়সি থবক কন্না শূবদা নত্তে থম্মোয়সু য়াম্না চাউই, মরৈচাশিংগী অমদি মরমদমগী য়াম্না খল্লি। কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসি খঙদ্রিঙৈদা ৱুহান সিটিদগী বৈজিংদা ইমুং অমদগী মপা, মমা অমদি অতোনবা থা মাপলদা ঙাইরিবা অহুমশুবা মচা মখোয় অহুমসি নারকপদগী অঙাংগী মচে অমদি ময়াম্বা অনীদুগা মবোক্কা লৈহৌই হোটেলদা মখোয়দি লাইচৎ অসি পক্তবনা। বৈজিংগী হোস্পিটাল অমদা লায়ংলিবা মপা অমদি মমা অনীদুনা হোটেলদা লৈহৌরিবা মবোক অমদি অঙাং অনীদু শোয়দনা ৱাখল ৱারমগনি হায়না ডোক্তরশিং অমদি নর্সশিং অদুদা ৱারী শাবদগী হোস্পিটালগী ডোক্তর অমদি নর্সশিং শান্নপোৎ অমদি অতৈ খুদোলশিং পুদুনা উনরৈ হোটেলদুদা। মসিনি মখোয়গী মরৈচা অমদি মরমদম্বু নুংশিবা অমদি চাউথোকচবা হায়বদো। অসিফাওবদা অকিবা, মীপাইবনা থল্লবা মীওই কয়ানা হোস্পিটালদা লাকপদা মফম লৈতবদগী নৎত্রগা ডোক্তর অমদি নর্স মশীং কোন্নদবদগী ঙাইহাক থেংথবদা মখোয়বু ফুগে তৌবা, চৈবীবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে।



ঐখোয় ইরমদমগী ডোক্তরশিংসু মখোয়গুম থম্মোয় চাউরবা অমদি পুংজা হেন্নমক শূদ্রবসু মখোয়গী শূফম থোকপা পুংজাদো মথৌ খঙনা শূরবদি করিগী মীয়াম্না মখোয়বু নুংশিরোই অমদি ইকায় খুম্নরোই। অদুবু ঐখোয়গীদি অয়াম্বনা নাপল কাবা, চাউথোকপা অমদি মীবু উশিত্তনা য়েংবনা অয়াম্বনি, ডোক্তরসু, নর্সসু। হুবৈদা ডোক্তর অমদি নর্স লিশীং অমা হেন্না লাইচৎ অসিনা নাহল্লে হায়বা পাউসু তারি। ডোক্তর অনী অমদি নর্স অমা লৈখিদবগী পাউ তাই। তশেংবদি মখোয়দো লাইচৎ অসিনা লোইনা হাৎখিবা নত্তে তৌইগুম্বসুং মখোয়গী থবক কন্না শূদুনা নীংথি নুংঙাইনা পোত্থাবা ফংদবদগী মখোয়গী ইম্যুন শোনজিল্লক্তুনা লাইচৎ অসিগী ভাইরসনা মখোয়দা চংখিবদা ঙাকথোকপা ঙমদদুনা শিখিবনি হায়। মদুগী খুদম হায়ববু, Dr. Li Wenliang গী মমা মপাসু লাইচৎ অসিনা নাখিবনি অদুবু মখোয়দি ঙসিসু হিংলি। অসুক কন্না হোৎনরিবসিদা ঙসিসু লাইচৎ অসিনা নাহনবগী অমদি শিবগী চাংসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। মসি চাইনাদা খক্তা নত্তে, অতোপ্পা লৈবাক কয়াদসু শন্দোকখ্রে, শিবসু য়াওরে। ডোক্তর অমদি নর্সশিং নত্তনা অতৈ হোস্পিটাল ষ্টাফশিংসু মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপগী মথক্তা পুংজা কয়া হোস্পিটালশিং অসিবু লূ-নান্না, মহিক মতাই হাত্তোক্লবা, হীদাক লাংথক মতম চানা অমদি কোননা পীনবা হোৎনবদা পুংজা হেন্না লোইনা থবক শূনরিবনি। মসিগী মথক্তা পুলিস অমদি মিলিটরি পর্সনেলশিংসু মখোয় মখোয়গী মথৌগী মথক্তা লাইচৎ অসিবু অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোক্তনবা হোৎনবদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌবনা মখোয়সু য়াম্না অৱাবা থেংনরিবনি। মসিগী মথক্তা মীচম মীয়াম মরক্তসু মখোয় মখোয়গী লৈকায়, খুঙ্গং নৎত্রগা প্রোভিন্স লান্থোক্তুনা চৎপা য়াদবনিনা অৱাবা কয়া থেংনরিবনি। থৌদোক অমদা মমা অমনা মীৎলু পিরাং শিন্থনা কপ্পা কপ্পা লম্বী থিংলিবা মিলিটরি পর্সনেলশিং অদুদা মহাক্কী মচানুপীসে লুকেমিয়া হায়রিবা ব্লদ কেন্সর অসিনা য়াম্না কন্না নারে হুবৈ প্রোভিন্সতদি হোস্পিটাল ডোক্তরশিং অমত্তা শংদ্রে অদুনা হুবৈগী মপালদা চৎহনবীয়ু হায়দুনা হায়জবদা লৈঙাক্কী এম্বুলেন্স শীজিন্নদুনা মমা মচা অনীদো থিনবী অতোপ্পা মপালগী হোস্পিটাল অমদা। লাইচৎসিবু নমথনবা হোৎনবদা চাইনা লৈঙাক্লা তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌরিবনি। অদুবু চাইনা লৈঙাকপু পামদবা নৎত্রগা কল্লকপা লৈবাক নৎত্রগা মীওই খরনা চাইনিজ লৈঙাকপু হুন্দুনা ঙাঙদবা নত্তে।

চাইনা লৈঙাকসু অতোপ্পা লৈবাক অমতনা তৌবা ঙমদবা থবক কয়া পাঙথোক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা অহাঙবা অচৌবা বিল্ডিং ফমুং ১,৬০০ থাবা হোস্পিটাল অমা নুমিৎ নীনিদা লোইশিল্লি। মসিগী মথক্তা ফমুং ১০০০ হেন্না থম্বা হোস্পিটাল অমসু শাবা লোইদুনা লায়েংবা হৌখ্রে কোরোনাভাইরস থিংনবা। লোইদ্রি মসিনা সিদগী হেন্না চাউবা ফমুং ১,৬০০ হেন্না থম্বা য়াবা অনীশুবা হোস্পিটাল অমসু চয়োল অনীগী মখাদা লোইশিন্দুনা লাইচৎ অসিবু থিংনবা হোৎনরি। লোয়ননা করম্বা লৈবাক্তবু অসুক য়াম্বা মীওই মিল্লিয়ন ৬০ হেন্না লৈবা প্রোভিন্স অমবু লাইচৎ অসিনা শন্দোকপদা থিংনবা প্রোভিন্স অসিগী মীওই অমত্তা মপালদা থোকহন্দে। মসিগী মথক্তা য়ূমথোং খুদিংদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না মখোয় মখোয়গী হকচাংগী অশাবগী (বোদি টেম্পরেচর) রেকোর্দ তৌদুনা থাবা মথৌ তাই হোস্পিটালদা, লোকল হেলথ দিপার্টমেন্টতা। কনাগুম্বা থাদবা য়াওরবদি পুলিস নৎত্রগা হোস্পিটালগী মীওইশিং লাক্তুনা মরম হংলিবনি। অসিগুম্বা য়াম্না চেকশিনবা অমদি য়াম্না পাক চাউনা অমদি অসুক থুবা মতমদা হোস্পিটালনচিংবা শাবা লোইশিন্দুনা থবক্তা ওন্থোকপসি চাইনা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা লৈত্রি হায়না থমজগে। মালেমগী ওইনা মী মশীং য়াম্বদা মকোক ওইরিবা মীওই মিল্লিয়ন লিশীং অমগা ৫০০ হেন্না লৈরিবা চাইনাদা অমসু অমসু ঙম্নবা হোৎনরিবা চাইনানি। চাইনাগী মীওইশিং খক্তা অৱাবা তাবা নত্তনা মালেমগী মীওই অয়াম্বদা লাইচৎ অসিনা অয়েৎপা, অকায়বা অমদি মীপাইবা পোকহল্লে, তৌনীংবা থবক তৌবা ঙমদ্রে। মসিগী মথক্তা চাইনাগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগী লম্‌দা অচৌবা অয়েৎপা, অকায়বা পীবদা নত্তনা মালেম পূম্বগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা অকায়বসু পীরিবনি লল্লোন ইতিক, চখোক-চৎশিন অয়াম্বা থিংলবনিনা, লেপ্পবনিনা।

অসুক কন্না হোৎনা হোৎননা, ফেব্রুৱারী ১২ ফাওবগী মনুংদা মীওই ১,১১৫ লাইচৎ অসিদা লৈখিদ্রে অদুগা লিশীং ৪৫,১৭০ হেনবনা লাইচৎ অসিনা নারে অদুগা ফগৎলকপনা ৪,৭৯৪ শুরক্লে। লাইচৎ অসিনা শিবসু, নাহনবসু অয়াম্বনা চাইনাগী মনুংদনি। ঐহাক্না লৈজরিবা টাইৱান্দসু মীওই ১৮ শুরে লাইচৎ অসিনা নাবা। শিবমক্তি য়াওদে। তুংদা মীওই কয়া শিগনি, মীওই কয়া লায়না অসিনা নাহনগনি হায়বা ঙমদ্রি। অদুবু লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাংদি হন্থরক্লি অমদি ফগৎলকপগী চাংসু হেনগৎলক্লি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লাইচৎ অসিবু থিংনবা হীদাক পুথোক্ত্রি। য়াম্না থুনা পুথোকপা য়াই হায়না থাজনরি।

মমাঙদা অমদি ঙসি ঙসি ওইরিবা লাইচৎ কয়া মতম মতমগী ওইনা থোরক্লিবা অসিনা তুংদা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না হাৎকদৌরিবা থৌদোক্তি খূৎশু-খূৎলায় পায়দুনা থেংনবা লানফমদা নত্তে তৌইগুম্বসুং লাইচৎনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরি। তুংদা লাকপা য়াবা অসিগুম্বা শাথীরবা লাইচৎ কয়া থিংহৌনবা মালেমগী লৈবাকশিংনা পূন্না হোৎনহৌদ্রবদি মীওই লাক্ষ লাক্ষক্তা, মিল্লিয়নলোমদা শিরবা য়াই হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরি। হৌজিক হৌজিকসু অসিগুম্বা অনৌবা লাইচৎ অসিবু থিংনবা চাইনা অমদি অতোপ্পা মালেমগী লৈবাক কয়া পুনশিন্দুনা লায়না অসিবু থিংনবা হোৎনরি।

লোইশিল্লকপদা, পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙমদে। লৈমিন্নরিঙৈদা, হিংমিন্নরিঙৈদা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা নুংশিননা হিংমিন্নবা তমগদবনি। তম্বা ঙমদে অসিগুম্বা লাইচৎসি কদাইদা অমুক থোরক্কনি অমদি কনাগী মফমদা, ইমুংদা অশি অনা থোক্কনি হায়বা। মরম অসিনা, অসিগুম্বা অৱাবা তারবা মতমসিদা ঐখোয় পূম্নমক অদুগা মালেমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংসু পূনশিন্দুনা মখোয় মখোয়গী খেন্নবা ৱাখল্লোন অমদি পোলিটিকেল ভিয়ুশিং নাথৈননা থমদুনা লাইচৎ অসিবু থিংনবা হোৎনদুনা লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং অসিবু ফহন্দুনা য়ূম য়ূমদা হন্নদুনা মখোয় মখোয়গী ইমুং-মনুংগা পূন্দুনা হান্নগুম ঈং-তপ্পা অমুক লৈবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না মপু মহাক্কী মফমদা পুনেমজরি। য়াইফমীন্নরসি। ●



# ইন্দিয়ন কম্যুনিষ্টশিংগী লময়ানবা এম এন রোই

- যুগোল সাই -

মনাবেন্দ্র নাঠ রোই, মীয়াম্না এম এন রোই হায়রগা খঙনবা অসি ইন্দিয়াদা অঙনবা মতমগী কম্যুনিষ্টকী ঈহৌদা য়াম্না মরু ওইবা মীশকনি। কুমজা ১৯২০দা ইন্দিয়াদা কম্যুনিষ্টকী ঈহৌ শাগৎপদা টাসকেন্টদা মরুওইবা হৌদোকপা মীশক অমনি। কুমজা ১৯২০দগী হৌরগা ইন্দিয়াদা কম্যুনিষ্টকী গ্রুপশিংগী মরক্তা কম্যুনিষ্ট পার্টি অমগী রোল অমসুং মার্ক্সিষ্টকী ৱাখল্লোন শন্দোকপদা মাঙজিল থানা রোল শান্নখিবা মীশকনি।

এম এন রোইগী রেভল্যুস্নরিগী পুন্সি অসি শেংবা মচু অমনি অমসুং মহাক্লা কম্যুনিষ্ট ইন্টরনেসনলদা মশক নাইবা মী অমা ওইদ্রিঙৈদা থৌনা ফবগী মতম কয়া অমসু লৈখি।

রোই অসি বেঙ্গলগী ২৪ পার্গানা জিলাগী অর্বেলিয়া হায়বা খুঙ্গংদা পোকখি। মহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদা রেভল্যুস্নরি গ্রুপ অমগী মেম্বর ওইনা এন্টি-বৃটিশ ষ্ট্রগলদা শরুক য়াখি। হাওরা কন্সপিরেসি কেসকা মরী লৈননা মহাক অহানবা ওইনা ফাখি। অদুবু কুমজা ১৯১১দা মহাক থাদোকখি। মতুং তারকপদা জাতিন্দ্রনাঠ মুখর্জিনা লুচিংবা জুগান্টর গ্রুপকী মেম্বর অমা ওইখি। বৃটিশকী মায়োক্তা থেংননবা জাতিনগী গ্রুপ অসিনা জর্মনগী মতেং লৌবা পামখি। মতম অমদা নেথরলেন্দ ইন্দিস কৌরম্বা ইন্দোনেসিয়াদা জর্মনগী কোন্সুলার শম্নবা কুমজা ১৯১৫দা রোইবু থারম্মী। কলকতাদা নোংমৈ থারক্নবা মহাক্কী হোৎনবা অদু মায় পাকখিদে। মতম অদুদা বৃটিশ লৈঙাক্লা কন্সপিরেসি কেস অদু খঙদোকখি অমসুং খূৎলায় পায়রগা মায়োক্লবা অমদা জাতিন্দ্র হাৎখি।

মতম অদুদা রোই জাভাদা হল্লকখি অমসুং থৌদোক অদুগী মতুংদা মহাক ইন্দিয়াদা হন্দবা হায়না লেপখি। মহাক সাংহাই ফাওরগা জপান্দা চৎখি মদুদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সান ফ্রান্সিসকোদা চৎখি। মহাক ঘাদর পার্টিগা শম্নখি। মফম অদুদগী ন্যু য়োর্কতা লৈবা ইন্দিয়ান রেভল্যুস্নরিশিং শম্নবা চৎখি। ন্যু য়োর্ককী পব্লিক লাইব্রেরিদা ইহান হানবা ওইনা কার্ল মার্ক্সকী লাইরিকশিং পাবা ফংখি। ষ্টানফোর্টতা মহাক্কা উনখিবা অমেরিকাগী গ্রেজুএট মহৈরোয় ইভেলাইন ট্রেন্টকী শান্না উবা মীৎয়েংশিংনা মঙোন্দা ইথিল পীখি। মতুংদা মহাক্কা লুহোংখি।

মহাক আইনগী ৱাংমদা চঙলকপগী ফানবা ৱারেন্ট অমা লাকপদগী রোই য়ুনাইটেদ ষ্টেটস থাদোকপা তাখি। মহাক্কী নুপীগা লোয়নরগা মেক্সিকোদা চৎখি। থাক অসি ফাওবদা এম এন রোইগী ৱাখলদা লৈরিবা অসি ইন্দিয়াদা খূৎলায় পায়বা লালহৌ অমা শিন্নবা, মতৌ করম্না ফন্দ খোমগদগে হায়বসিখক্তনি। মেক্সিকোদা মতম অদুদা অপিকপা গ্রুপ অমা ওইনা লৈরিবা মেক্সিকান সোসিএলিষ্ট পার্টিগা মহাক্কা পূনখি। মতুংদা কম্যুনিষ্ট ইন্টরনেসনলগী মরুওইবা থবক পুরিবা মীখাইল বোরোদিনগা মহাক্কা শম্নখি। মহাকপু মার্ক্সিজমদা ইথিল পীখিবা অসি বোরোদিন্নি। রোই মহৈ-মশীন য়াম্না ৱাংনা তমখিদে। মহাক মশানা হোৎনজরগা তমখি অমসুং পাক চাউনা লৌশিং লৈ। থা খরগী মনুংদা স্পেনিস লোন ফজনা ঙাঙবা ঙমখি অমসুং চেজ ইশিং ইবা অমসুং মীয়ামগী মীতিংদা ৱা ঙাঙবগী পাঙ্গল লৈখি। মহাক মেক্সিকান সোসিএলিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা অমা ওইরকখি অমসুং য়াম্না থুনা কুমজা ১৯১৯দা পার্টি অদু কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ মেক্সিকোদা ওল্লকখি। মেক্সিকান কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মীহুৎ অমা ওইনা কুমজা ১৯২০গী জুলাই-ওগষ্টতা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা কম্যুনিষ্ট ইন্টরনেসনলগী অনীশুবা কোংগ্রেসতা রোই দেলিগেট অমা ওইনা শরুক য়াখি।




কম্যুনিজমদা নৌরিবা এম এন রোই অনীশুবা কোমিন্টর্নগী কোংগ্রেসতা নেসনল অমসুং কোলোনিএলগী ৱাহংদা মহাক্কী অহেনবা থেজিস তৌবগীদমক মশক নাইবা মী ওইরকখি। নেসনল অমসুং কোলোনিএলগী ৱাহংদা লেনিন্না দ্রাফট থেজিস অমা শেম শাখি অমসুং দেলিগেটশিংদা য়েন্থোকখি। লেনিন অমসুং রোইগী থেজিস অনীমক নেসনল অমসুং কোলোনিএল কম্মিসন্দা পুথোক্তুনা দিবেট তৌনখি। মহাক্কী হাপচিনবা থেজিস অদুদা মহাক্লা মরৈ তৌখি মদুদি ইন্দিয়াদা লৈরিবা বুর্জ্জুৱাশিংনা বৃটিশ ইম্পরিএলিজমগী মায়োক্তা থেংনবা ঙমদে অমসুং লমচত্তা য়াশিন্নবা লৈ। মহাক্কী পূক্লিংদা ফাওখি মদুদি জাতিগী নীংতম্বগী ঈহৌদা কম্যুনিষ্টনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী পোলিসিশিংদা শৌগৎপা অদু ইন্দিয়াদা চানদে। মহাক্কী থেজিস অদু কোংগ্রেসনা ককথৎখি অমসুং রোইগী হাপচিনবা থেজিস মখল কয়াদা শেমদোকখি। লেনিনগী থেজিস অদু খরা শেমদোক্লগা পাস তৌখি।

কোমিন্টর্ন কোংগ্রেসনা এম এন রোই অসি কম্যুনিষ্ট ইন্টরনেসনলগী ঈ সীগী মেম্বর ওইনা খনখি। মতুং তারকপদা মহাক সেন্ট্রেল এসিয়াটিক ব্যুরোগী মকোক ওইনা খনখি, মদুগী পাঙ্গলনা মহাক টাসকেন্টদা চৎখি। মফম অসিদা ইন্দিয়াদগী লাকপা মশীং য়াম্লবা মুহাজিরশিংগা মহাক্কা শম্নখি। বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা থেংনবগী পান্দমদা চঙশিন্নবগীদমক মখোয়শিং অদু কম্যুনিষ্টতা য়াওহন্নবা মখোয়গী মরক্তা থবক তৌখি। মসিগী চঙশিনবগী লম্বীদা কুমজা ১৯২০গী ওক্টোবরদা অহানবা ইন্দিয়ন কম্যুনিষ্ট গ্রুপ অমা শেম্নবা তৌখিবনি।

রোই মোস্কোদা হল্লকখি অমসুং কম্যুনিষ্ট ইন্টরনেসনলগা তানরবা মতুংদা ইন্দিয়াদা কম্যুনিষ্টকী থবক থৌরাংশিং পূম্বা রোইনা লুচিংবা গ্রুপ অসিগা শম্নরগা তৌগদবনি হায়না লেপ্পখি। মহাক কুমজা ১৯২৬তা প্রসিদিয়মদা খনখি অমসুং ঈ সী সী আইগী মরুওইবা ফমশিং পায়খি অমসুং ৱর্ল্ড কোংগ্রেসকী সেক্রেটরিসু পায়খি।

কুমজা ১৯২১দগী হৌনা ইন্দিয়াদা চাইথোক্লা লৈবা কম্যুনিষ্ট গ্রুপশিং অমসুং মসিগী লুচিংবশিংদা চিঠিশিং অমসুং চেফোংশিং - রোইনা মরী মরী থাজিনবা হৌখি। কুমজা ১৯২০গী মেদা মহাক্লা ভেনগার্দ ওফ ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্স ফোঙবা হৌখি। মদুদগী এদভান্স গার্দ হায়না মিং ওন্থোক্লগা ফোঙখি অমসুং কুমজা ১৯২৫ ফাওবা মখা চত্থনা ফোঙখি অমসুং ইন্দিয়াগী মীয়ামদা পাবা ফংহনখি। মসিনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা ইস্যুশিংগী ৱাখল ফোঙদোকপা ইন্দিয়া য়ৌরকপা অহানবা কম্যুনিষ্টকী চেফোঙনি। বৃটিশশিংনা চেফোং অদু আইনগী ৱাংমদা লৈ লাউথোকখি, মশীং য়াম্বা কোপিশিং ফাগৎখি।

তাঙ্কক অসিদা মহাক্লা মহাক্কী অহানবা লাইরিক ট্রাঞ্জিক ইন ইন্দিয়া হায়বা অদু ইখি। লাইরিক অসিনা বৃটিশ লৈঙাক্কী মখাদা ইন্দিয়াগী শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্কী মওং মতৌ অমসুং আইদিওলোজিদা মার্ক্সিষ্টকী নৈনবা অমা পীখি। লাইরিক অসিনা ইন্দিয়াদা কম্যুনিজমদা য়েংলিবা কনাগুম্বশিংদা অচৌবা ইথিল অমা পীখি। কোমিন্টর্নগী চেফোঙ ইন্টরনেসনল প্রেস করেসপোন্দেন্স, ‘ইমপ্রেকোর’ দা চাং নাইবা ৱারেংশিং ফোঙখি।

ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী সেসনশিংদা রোইনা মেনিফেষ্টোশিং অমসুং ৱারোলশিং থাই। অহানবা থা অদু কুমজা ১৯২১গী অহমদাবাদকী কোংগ্রেসতা থাখি অমসুং মতুং তাবদা কুমজা ১৯২২গী গায়া কোংগ্রেস অমসুং কুমজা ১৯২৩ অমসুং ১৯২৪গী সেসনশিংদা থাখি।

কুমজা ১৯২২গী এপ্রিলদা এম এন রোই বর্লিন্দা মফম হোংখি মরমদি হান্নগী মফম অদুদগী সেন্ট্রেল এসিয়া ফাওরগা অৱাংথংবা ইন্দিয়াগী শরুক্তা, অতৈ লমশিং য়ৌবদা অৱাবা ওইখি। কুমজা ১৯২১ অমসুং ১৯২৩দা কম্যুনিষ্ট গ্রুপশিং চাওখৎলক্লিবা অদুগা শম্নবগীদমক্তা নলিনি দাসগুপ্তা কৌবা মীহুৎ অমা মহাক্লা থারকখি।

ইন্দিয়াদা কম্যুনিষ্টকী এক্টিভিটি ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী থৌদোক ৱাথোক য়েংশিন্নবা কোমিন্টর্ননা এম এন রোই, সিপাসি অমসুং ক্লেমেনস দত্তনা লুচিংবা সী পি আইগী ফোরেন ব্যুরো অমা লীংখৎখি। নৌনা চোংখৎলক্লিবা কম্যুনিষ্ট গ্রুপশিং অমসুং কম্যুনিষ্টকী এক্টিভিষ্টশিংদা কন্সপিরেসি কেসশিং পান্দুনা ফাবা পুনবা অমসুং জেলদা থম্বনচিংবা তৌদুনা বৃটিশ লৈঙাক্লা নমথবগী, পোলিসি অদু উরবা মতুংদা কোংগ্রেসকী নেসনেলিষ্ট ঈহৌগা মতেং পাংবা ঙম্নবা রোইনা শিন্মী অমসুং লৌমীগী পার্টি শেম্বা পামখি। অসিগুম্বা ৱার্করস অমসুং পেজেন্ট পার্টিশিং অসি বেঙ্গল, বোম্বে, পঞ্জাব অমসুং মতুংদা য়ু পিদা চোংখৎলকখি।

রোই মশামক্কী মীং য়াওরিবা কানপুর কন্সপিরেসি কেসকী মতুংদা মহাক্লা রেভল্যুস্নরি নেসনেলিষ্ট পার্টি অমা শেম্নবা কৌখি। মদুগী প্রোগ্রামদি লৈবাক্কী নীংতম্বা ফংবা, ফ্যুদেলিজম অমসুং লৌয়াম চাবগী চৎনবী মুখৎপা, লম, খোনিশিং অমসুং মীয়ামগী শীজিন্নবদা চংবা পূম্নমক নেসনেলাইজেসন তৌবা অমসুং লাইনীং লাইশোন্দা নীংতম্বা ফংবনি।

কুমজা ১৯২৬ ফাওবা ইন্দিয়াগী মনুংদা কম্যুনিষ্ট পার্টি, ৱার্করস অমসুং পেজেন্ট পার্টিশিং মখল কয়া চাওখৎনবা য়াম্না নক্লা থবক তৌরম্মী। কুমজা ১৯২৭তা রেভল্যুস্নরিগী ঈহৌ কনখৎলক্লিবা চাইনাদা এম এন রোই অসি কোমিন্টর্নগী মীহুৎ ওইনা থারম্মী। সাংহাই অমসুং কেন্তোন্দা কোমিন্টাংনা কম্যুনিষ্টশিং তমথীনা নমথবা মতম অদুদা মফম অদুদা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা লৈবগী ৱাফমদা কোমিন্টর্নগী মনুংদা অচৌবা চয়েৎনবা অমা লাকখি।

কুমজা ১৯২৭কী সেপ্টেম্বরদা রোই মোস্কোদা হল্লকখি, অদুবু য়াম্না থুনা কোমিন্টর্নগী লুচিংবশিংগা য়ানদবা লাকখি। কুমজা ১৯২৯দা মহাক বর্লিন্দা লাকখি অমসুং জর্মনগী ওপোজিসন কম্যুনিষ্টকা পূনখি। কুমজা ১৯২৯গী দিসেম্বরদা কোমিন্টার্ননা মহাক তান্থোকখি।

কুমজা ১৯৩০দা রোই ইন্দিয়াদা হল্লকখি অমসুং মহাকপু য়াবা ‘রোইষ্ট’ গ্রুপ হায়না খঙনবা অমগা কোংগ্রেসকা থবক তৌমিন্নখি। মহাক্কী অরিবা কোষ্টা বৃটিশ লৈঙাক্লা মহাক ফাখি। ৱায়েল চৎখি, মহাক চহী ১২গী ফাদোক পীখি, আপিল তৌবদগী চহী ৬তা হন্থখি। মহাক কুমজা ১৯৩৬তা জেলদগী থাদোকখি।

ট্রেদ য়ুনিয়নশিং অমসুং পোলিটিকেল এক্টিভিটিশিংদা থবক তৌবা রোইষ্টশিং অদু য়াম্না তমথীনা এন্টি কম্যুনিষ্ট ওইখি। এম এন রোইনা সী পি আইগী মায়োক্তা হুন্দুনা ঙাঙখি অদুবু মহাক কৈদৌঙৈদসু সোভিএট য়ুনিয়নবু হন্থনা লৌখিদে অমসুং ষ্টেলিন্না লমজিংদুনা ফেসিজম মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা শৌগৎখি। কুমজা ১৯৪৩দা মহাক মার্ক্সিজম থাদোকখি অমসুং রেদিকেল হ্যুমেনিজম কৌবা অনৌবা থাজবা কাঙবু অমদা লৈখি।

মহাক্লা মার্ক্সিজম থাদোক্তুনা চৎখ্রবসু কুমজা ১৯২১দগী ১৯২৬ ফাওবা ইন্দিয়াদা কম্যুনিষ্টকী ঈহৌ অমা শাগৎনবা মাঙজিল থানা পীরম্বা দান অদুদি কাউফম থোক্তে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।